# কেরেলা ব্লাষ্টর্সপু এটলেটিকো দি কোলকতানা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী আই এস এল সিজন থ্রিদা ফজবা ঙমখ্রে


এটলেটিকো দি কোলকতাগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা জাভি লারানা পাঞ্জল চনবগী সোট তৌনশিনখিবা

*কোচি, ওক্তোবর ০৬ ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৩ শুবা সিজনগী ঙসি কেরেলাগী সহর কোচিদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা এটলেটিকো দি কোলকতানা কেরেলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এটলেটিকো দি কোলকতানা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ অদু কেরেলা ব্লাষ্টর্সকী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ভাবক ৫৫,০০০ রোমগী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা শাফু শিজিন্নদুনা মখোয়-মখোয়গী স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল থম্নবা হোৎনখি।

নীংশিংবা য়াবদি ঙসি কেরলাগী সহর কোচিদা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মঙাশুবা মেটচ অদুদা লম্বা তৌনখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোই য়াম্না মান্নবা ফিভমদা অমনা অমগী মায়োক্তা বোল পুশিন্নবা কন্না লাক্লখি। অদুবু পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

এটলেটিকো দি কোলকতা অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ সিজন থ্রিগী মঙাশুবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনিটতা জাভি লারানা কাউশিনখিবা সোট অমা টিমমেট সন্দেস জিঙ্গানদগী থক্তোরক্লগা বোল অদু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোল লাইন লানশিনখিদুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল ওইখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা এটলেটিকো দি কোলকতাগী মায়কৈদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইননবা বোল পুশিনবা লেপখিদে। কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা হোৎনখিবা অদু এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোরক্তুনা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে।

শান্নবগী মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা মতমদা টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্লখিদ্রবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবদা এটলেটিকো দি কোলকতাগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচ অদু কেরলা ব্লাষ্টর্সপু এটলেটিকো দি কোলকতানা পাঞ্জল ১-০ দা থোইবা ঙমখি।

ঙসি কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং এটলেটিকো দি কোলকতানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী এৱার্দ অদু মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জাভি লারানা ওইখি।

# ইন্দিয়াদা শান্নগদবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ্তা পাকিস্তান য়াওররোই

*ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০৫ ঃ*

থা অসিগী ৭ তগী লৈবাক ১২ না শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ্তা পাকিস্তানগী কবাদ্দি টিম শরুক য়াররোই হায়রি।

অহৌবা নুমিৎতা ইরাননা নৌনা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা শান্নগদৌরি। ৱার্ল্ড কপ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ কোরিয়া, ইংলেন্দ, পোলেন্দ, কেনিয়া অমসুং আর্জেন্টিনা শরুক য়াগনি।

চহী ৯ মপুং ফানা চথুরক্লবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপকী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী সহর অহমেদবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ অসি চয়োল অনী চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবনি।

য়াম্না অকনবা লম্বা ওইরক্কনি খন্নরিবা পাকিস্তানগী টিম্না হন্দক্তা ইন্দিয়ানা পাকিস্তান লানশিন্দুনা মিলিটেন্টশিংগী কেম্পতা চথুখিবা এটেকশিং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোত্তুনা গেমস অসিদা শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই মমাঙদা পাকিস্তানগী কবাদ্দি ফেদরেসন্না চথুগদৌরিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়াদগী অতোপ্পা লৈবাক অমদা তৌহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

পাকিস্তানগী কবাদ্দি টিমগী কেপ্টেন নাসির আলিনা ফোঙদোকখিবদা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু ইন্দিয়ামক্তদা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড কপ কবাদ্দি লৌননবগী আশা তৌরম্বনি।

# রুশিয়াগী শান্নরোই ১০ গী টিম্না ইন্দিয়াবু চহী ১৭ মখাগী ব্রিক্স ফুটবোল কপকী অহানবা মেটচতা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে


ইন্দিয়া অমসুং রুশিয়ানা শান্নখিবা ব্রিক্স কপকী মেটচ অমগী মতাংদা টিম অদুগী মায়কৈদগী বোল মুন্নখিবা

*বাম্বোলিম, ওক্তোবর ০৫ ঃ*

গোৱাগী সহর বাম্বোলিমদা লৈবা বাম্বোলিম ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখিবা চহী ১৭ মখাগী ব্রিক্স ফুটবোল কপতা রুশিয়াগী শান্নরোই ১০ গী টিম্না ইন্দিয়াবু টিম্বু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চথরিবা ফুটবোল কপ অসি লৈবাক ৫ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপনি। মখোয়শিং অদুদি ব্রাজিল, রুশিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ আফ্রিকানি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টিম অসিদা মণিপুরী মচা ৱাংজম সুরেন সিংহনা কেপ্টেন ওইদুনা লুচিংলিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মণিপুরী মচা বোরিস সিংহ থাংজম, খুমন্থেম এন মৈতৈ অমসুং অমর্জিৎ সিংহ কিয়ামসু পুন্না শরুক য়ামিন্নরি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়া অমসুং রুশিয়ানা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুদা হৌরকপা মিনিট ৩ তমক ঙাইরিঙৈদা রুশিয়াগী মরুওইবা শান্নরোই ওইরিবা লোপাটিন দানিলনা পুশিল্লকপা বোল অমা ইন্দিয়াগী জিটেন্দ্র সিংহনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌহৌদবদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল ওইখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং রুশিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অয়াম্বা শরুক্তা রুশিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রুশিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল হন্দাক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু রুশিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা পাঞ্জল চলহন্নবগী তাঞ্জা অদু পীখিদে।

শান্নবগী হাল্ফ মতম য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। মেটচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা পাঞ্জল ওইবা বোল অম ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা থিংদুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা রুশিয়াগী খুদোংচাবা অমা নাম্থোকহৌখি। অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লককবদা রুশিয়াগী ৩ শুবা মিনিটতা চনখিবা পাঞ্জল অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনিট ৪৯ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী অনিকেটনা সেন্টরদগী পুশিল্লকপা বোল অমা রুশিয়াগী শান্নরোই উমাইরোভ নেলনা নিয়ম লান্না ফাউল তৌরুবদগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ পীদুনা তাম্থোকখিদুনা মেটচ অদুদা রুশিয়াগী শান্নরোই ১০ না শান্নরকখি।

মখা তানা রুশিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা অমত্তা ফংনখিদে। শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবদা মখা তাবা পাঞ্জল টিম অনীগী মায়কৈদগী লৈনখিদবদগী মেটচ অদু রুশিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

# স্পেনগী দেবিদ ফেরর অমসুং গ্রেট বৃটেনগী কে ইদমুন মখোয় মখোয়গী মেটচ মায় পাক্তুনা চাইনা ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে


চাইনা ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী দেবিদ ফেরর

*বৈজিং, ওক্তোবর ০৫ঃ*

চাইনাগী কোনুং সহর বৈজিংদা চথরিবা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা স্পেনগী দেবিদ ফেরর অমসুং গ্রেট বৃটেনগী কে ইদমুন মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী এফ ফোগনিনি অমসুং স্পেনগী দেবিদ ফেরর লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু স্পেনগী দেবিদ ফেররনা য়াম্না কোম্না ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা স্পেনগী দেবিদ ফেররনা ইটালিগী এফ ফোগনিনিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

স্পেনগী দেবিদ ফেররনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ু এস এ গী জে সোকপু ৬-৪, ৬-২ দা থোইরম্বা জর্মনিগী এ জে রেবকা লম্বা তৌনরগনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা গ্রেট বৃটেনগী কে ইদমুন্না স্পেনগী বটিষ্টা এগুটপু সেট অহুম শান্নবা মতুং ৬-৪, ৪-৬, ৬-৪ দা থোইবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা গ্রেট বৃটেনগী কে ইদমুন্না স্পেনগী বটিষ্টা এগুটকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেট অদুদা স্পেনগী শান্নরোই অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না পীরক্তুনা গ্রেট বৃটেনগী কে ইদমুনগী সার্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা গ্রেট বৃটেনগী কে ইদমুনগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখিবদগী সেট অদু ৬-৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা য়ু এস এ গী মেদিসন কিজনা রুশিয়াগী এস কুজনেটসোভাবু অকনবা লম্বা মায়োক্লবা মতুং ৭-৬ (৭-২), ৬-২ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্র।

নুপীগী অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু য়াম্না কোম্না ৬-১, ৬-৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুপীগী মেটচশিংদা নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখ্রবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ৬-৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না খরা পীরকপা ঙমখিবদগী সেট অদু টাই ব্রেক ফাওবা শান্নরকখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ৭-৬ (৭-৪) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী এস লিসিকিবু ৬-৪, ৬-৪ দা থোইরম্বী য়ুক্রেনগী ই ভিটোলিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবসলকী কাঙলুপ্তা স্পেনগী জুরা কেরেনো বুস্তা অমসুং রাফেল নদালনা চাইনাগী জুরা ওইখিবা এম গোং জে ঝাংবু ৭-৫, ৬-৩ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা জুরা ওইবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী ইসান পন্দিতা স্পেনগী ফুটবোল লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা লিগেন্সতা শান্ননবগীদমক য়ান্নবা লৈখ্রে



*বেঙ্গালুরু, ওক্তোবর ০৫ঃ*

মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা লৈবাক অমা ওইরিবা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব লেগান্সনা শান্ননবগীদমক ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই ইসান পন্দিতা ক্লব অসিগা য়ান্ন-চে ইন্নখ্রে।

স্পেগী লাগেন্সকী চহী ১৯ মখাগী টিমদা অহানবা ওইনা মহাক শরুক য়াগদৌরি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী কর্নতকা রাজ্যগী বেঙ্গালুরুদগী হৌরকখিবা ইসান পন্দিতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা শান্নরোই অমা ওইনা স্পেনগী মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাদা শরুক য়াবা ঙম্লিবা লিগেন্সকী টিম অদুগী চহী ১৯ মখাগী মেটচশিংদা হান্না শান্নবা হৌগদৌরি।

হৌজিক-হৌজিক স্পেনদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ইসান পন্দিতানা ফোঙদোরকপদা মহাক্না লা লীগাতা নৌনা ক্বালিফাই ওইবা ওইদুনা শরুক য়াবা ঙম্লিবা লৈবাক অদুগী ক্লব লিগেন্সকী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙম্বা অসি মহাক্কী মায়কৈদগীদি য়াম্না নুংঙাইবা তাঙ্কক অমা ওইরি।

নহা ওইরিবা পন্দিতানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা স্পেনগী ক্লব লিগেন্সকা মহাক্না চহী অমগী ওইবা সাইন তৌনখিবা অদুদা ষ্ট্রাইকর অমা ওইবগী থৌদাং লৌগদৌরিবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী অহানবা খোঙথাং ওইনা লিগেন্স ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী মখা তাবা শান্নগদবা মেটচশিংদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবা অদুনি হায়রি।

পনবা য়াবদি ইসান পন্দিতা মশাগী ওইনা ফুটবোল মশান্নদা হৌরকফম অদু ফিলিপিন্সতগীনি। অদুবু মহাক কুমজা ২০০৯ দা বেঙ্গালুরুদা লাক্তুনা মফম অদুগী শান্নরোই অমা ওইখিবনি।

হৌখিবা চহী ২০১৪ দা মহাক্না মহাক্কী শান্নবগী য়ুম্ফম ওইগদবা জগা স্পেনদা থমদুনা মশাগী হৈথোই-শিংথোইবা অদু মফম অদুগী ফুটবোল ক্রিটিক্সশিংদা উৎপা ঙমখিবনি।

পান্দিতা মশামক্কা মখা তাখিবদা মহাক্কী ফুটবোল মশান্না অদু হেন্না ফংগৎনবগীদমক স্পেনদা লৈবা মকোক থোংবা কোচ অমদি শান্নরোই কয়াগা লেঙ্গোন্নদুনা মখা তাবা মেটচশিংদা ফজনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী সিরিল বর্মা অমসুং অরুনধাটি পন্টৱানে ২ শুবা রাউন্দ চঙখ্রে


রুশিয়া ওপনদা অহানবা রাউন্দ মায় পাখ্রবী ইন্দিয়াগী সিরিল বর্মা

*ৱ্লাদিভোষ্টৌক, ওক্তোবর ০৫ঃ*

রুশিয়াদা চথরিবা রুশিয়ান গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়াখিবা সিরিল অমসুং অরুনধাটি মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

সিরিলনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা রুশিয়াগী এন্দ্রি জদানোভপু য়াম্না কোম্না ২১-৭, ২১-১১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদুনা রুশিয়াগী শান্নরোই অদুবু য়াম্না হেনবা মওংদা ২১-৭ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদদি রুশিয়াগী শান্নরোই এন্দ্রগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না খরা পীরকপা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সিরিলনা ২১-১১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না মথংগী রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ইজরেলগী শান্নরোই মিসা জিলবর্মেনগা লম্বা তৌনরগনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নেসনেল গেমস চেম্পিয়ন ওইরিবা অরুনধাটিনা রুশিয়াগী শান্নরোই অনাষ্টেসিয়া সরাপোভাবু অহানবা গেমদা য়াম্না কোম্না ২১-৫ দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা গেমদা রুশিয়াগী শান্নরোই অদুনা মহাক্কী ফজবা পার্ফোমেন্স পীরকপা ঙমদবদগী ইন্দিয়াগী অরুনধাটিনা য়াম্না লায়বা মওংদা ২১-৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

অরুনধাটিনা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ রুথভিকা সিবানি গাদেগা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়াগী সৌরব বর্মা পোলেন্দ ওপনদা খুজেং শোকপনা মরম ওইরগা রুশিয়াগী শান্নরোই আলেজেস জোলোটুয়েভতা ৱাক্ক ওভর পীথোকখি।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*